# মণিপুরদবু টুরিজম ?

'লম-কোয়বা' - ইশাগী ইয়ূম-লমদমসিগী ৱাংমদা, মীগী লমদা চৎলুবগী থবকসি, ঐদি অঙাং ওইরিঙৈদগী পামজবা থবক অমদি ওইরকখিবনি। ইপানা নৎত্রগা ইমানা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী, মফম অমদগী অমদা ত্রান্সফরেবল ওইবা থবক অমা তৌরমদবনা, সহর অমদগী অমদা হোং-হোংদুনা খুন্দাবগী পুন্সি মহিং অদুমদি ঐ হিংবা তৌরকখিদে। অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংগী 'অসাম-ব্যাপার-চৎপা' হায়না খঙনবা হিংনবগী শিনফম ওইবা থবক্তু ইপাগী শিনফম ওইরকপনা অসামগী মনুং হঞ্জিনবা খুল খরা অমদি দিমাপুর সহরদদি অঙাং ওইরিঙৈ 'ববা' না পুদুনা মরক-মরক্তা য়েংহল্লকখি। তোকপম ইবোমচাগী 'মঙলৈবাক' হায়বা লাইরিক্তুনা নাগালেন্দগী মনুং হঞ্জিনবা চীংগী খুলশিংদা খুন্দারিবা মীশিংগী পুন্সি-মশক তাকখিবা অমদি শরৎ-চন্দ্র, বঙ্কীম-চন্দ্র অনীনা বেঙ্গলগী পুন্সি মশক উহনখিবা অদুনসু শকখঙদবশিংগী লমদুদা চৎনীংবগী ইথিল অমদি পীখিবা মাল্লি। অদুবু চৎপদি ঙম্লকখিদে - লম-চৎপা (কোয়বা) হায়বসি খূত্তা শেল পায়দ্রবদি ওইথোকপা য়াবা থবক অমা নত্তবনা। উত্তর-প্রদেশ'তা এগ্রিকলচরেল-সাইন্স তম্বগী চহী খরা লৈরকখিবদুনা অহানবা ওইনা মীগী মীরমদা চত্তুনা মান্নদবা পুন্সি-মহিং হকথেংননা য়েংবগী তাঞ্জা'দুমদি ফংহনখি। অদুবু, লম কোয়বা হায়বদুগী অশেংবা এক্সপরিয়েন্স'তুদি নৎখিদে।

গ্রেজুয়েট হায়বদু ওইরব'তুং, হিংনবগী শিনফম ওইনা য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী থবক অমা পায়রবা মতুংদা, চহী মরি-মরি খুদিংগী ইমুং-মনুংগী মী পুদুনা লম কোয়বগী পীবা খুদোংচাবা অদুনা ইন্দিয়া মনুংদা লৈবা টুরিষ্ট সেন্টর খরদা কোয়বা ফংহল্লকখি। চহী কুন্থ্রা সর্ভিস তৌরিঙৈ, চহী মরি-মরি খুদিংগী ফংবা খুদোংচাবদু অমুক্তসু মাঙহল্লকখিদে। মরক-মরক ঐনা, ঐগী অঙাং মমাদা ফাগি তৌই ... 'ঐনা নঙগীদমক নঙকশমদা অমদি নাপদুদা সনাগী লৈতেং থোনবীবমক ঙমদ্রবসু ঐগী নুপী ওইরুবগী লৈকায়সিগী মরাইবক খ্বাইদই ফবী মৌদি নঙনি হায়না ঙাঙনরিবনি, নঙ খঙদ্রা' ...? থিন্দনা খুম্লকই, 'হরে...! নঙগী নুপী ওইরুবসি করিদা লাইবক ফরিবা'? ঐনা নাপদা লোন্না হায়, 'ইনাক খুনবই মৌশিংসে চাকখুমদই হেন্দবী কয়ানি, ত্রেন মশক উদনা শিখিদৌবনা অয়াম্বনি, নঙদি ইন্দিয়া টুর তৌবা লোইশিল্লক্লবনি, মখোয়না মপোকসিদা ফংলরোইদবা'...। অহেনবা শেল লৈতবগী ফোরেন লৈবাকশিংদুদা পুরুবদি ঙমদেকো, মদুমদি হায়জহৌগে। করিগুম্বা থৌ অমগী হোং-কোং, চাইনা, ফিল্লিপিন্স য়ৌরুরে হায়দুনা টুরিষ্ট ওইনা ফোরেন লৈবাক চৎলুরে হায়বদুদি য়ারোই। থওইনা অচৌবা শেনফম অমা তূংশিন্দুনা কাইথোক্লগা মালেমগী মফম খরদা কোয়রুরগে/চৎলুরগে খন্না য়ূমদগী থোকপা ঙম্বা 'টুরিষ্ট' অমা হায়বদুদি ওইবা ঙমদ্রি ঐ। আগ্রাগী টাজ মহলদি হৌখিবা চহী নিফুমঙা-তরুক্কী মনুংসিদা তোঙান তোঙানবা মতমদা তরারকতই তাদনা চৎলুরে। অকোয়বগী শক্তমনা লেঙদ্রবা ফুরা অদুদা হোংহল্লকপা শক্তমদুদি উরুরে। অদুবু চাইনাগী 'গ্রেট-ৱাল', পেরিসকী 'আইফেল টাৱর', পিসাগী 'লিনিং টাৱর', ইজিপ্টকী 'পিরামিদ', বেবিলোনগী 'হেঙ্গিং গার্দেন' ... পিকচর ওইনা উবতনি হকথেংননা চত্তুনা মফমদুগী মীশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাবই এক্সপরিয়েন্স'তুদি, মাঙগী লম্বী তেল্লক্লবা, তুংগী লম্বী শাংহৌরবা পুন্সি-খোঙচৎ অসিদদি ফংনি হায়বা থাজদ্রে। বাইকাল লেক (পাৎ) তা চত্তুনা ঈপাক্তুদা শান্ননীংবই অপাম্বা ফোঙদোক্লুবদা মরুপ অমনা নোংমা হায়রকখিবদু নীংশিংলি...'কান্নদে মরুপ! বাইকাল লেক ময়াদা খুন্দারিবা মীশিংদুসু ঐখোয়গী লোক্তাক পাৎ'তা লৈরিবা অতাওবা ফুম মথক্তা শারিবা খাংপোকশঙ মনুংদা অহিং অমা লেক্তুনা মফমদুদই ফাবা-ঙা থোংলগা/ঙৌরগা চাবগী নুংঙাইবা অদু মপোক কয়াদসু ফংলরোইদবনি'...। মাগীদুসু অতোপ্পা অর্গ্যুমেন্ট অমনি। অদুগা নোংমসু খনখি ইথন্তা ... 'হিন্দি ফিল্ম কয়াদা উখিবা কাশ্মীরগী দাল-লেক মথক্তা হীরো-হীরোইন ফম্মীন্নদুনা তোংবা নীংথিবা-লৈনা-লৈতেংবা হিনাউ অমদি হীথক্তা-শাবা-য়ূম (হাওজ বোট) মনুংদা ষ্টার-হোটেলগুম নান্না শেম-শারবা কাশিং অদুগুম লোক্তাক পাৎ'তা শেমগৎপগী ৱাখলদি মণিপুরগী টুরিজম-মিনিষ্টর অমত্তগী কোক্তুদা ঙসি ফাওবা মমি তম্লমখিরোই'...।

ৱাখল-ঈরোন্নুংসিদা লূপখ্রবা, অকাউবগী লৈরোল কয়ানা ননশিনখ্রবা নীংশিং শক্তম কয়া ঙসি মথং মথং ঈমায়থক্তা তাওখৎহল্লকই হুইদ্রোম দিলিপ কুমারগী লাইরিক 'সষ্টেনেবল প্লান্নিং ওফ টুরিজম ইন্দষ্ট্রি'না। খল্লরোই খন্না খনখিদ্রবা ৱাখল কয়া নৌনা অমুক য়েন্নীং-হুন'গুম ময়োল চোংলক্লে। লাইরিকসিগী লামায় ১৫১দগী ২৫৫ ফাওবা (পন্দুপ তরা অমদি তরামাথোই), শাংলবা লামায় চামগা মরিদু, মণিপুরখক্কী টুরিজম স্কোপ অমদি পোটেন্সিঅল পুথোক্তুনা নৈনরি। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা লমকোয়-মীশিংনা মিতানফম ওইবা মফমশিং, ফোটোগ্রাফশিংগা লোয়ননা অপাবশিংবু খঙহন্নবা হোৎনৈ। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা ঈশিং-চাইবী-তরাগী মরমদনি লাইরিকসিদা শৈথারিবা। অদুবু, করম করম্বা 'ৱাটর-ফোল' শিংবু টুরিষ্ট স্পোট ওইনা শেমগৎনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙখ্রবগে? হংবা য়াই। সোংপু কেভ, ফোইকোন হাওশাবী কেভ, খাংকুই কেভ, থারোন কেভ অমদি কৈথেলমানবী ৱাঙু, মোংজম, পঞ্জাও পুনলুমচীং, মোইরাং, মাও মরাম, পুরুল, ওইনাম, খৌপুম, নূংপিনচিংবদা লৈরিবা অরিবা (নূংগী য়ুগকী) অমদি ময়ায় ওইরপ লীরবা মতমগী শুরুংশিং - মণিপুরগী অমদি মপান লমগী টুরিষ্ট অমত্তগী পূক্লিং চিংশিনখিদ্রিবা মফমশিংনি। মণিপুরদা ফংলিবা খোঙ্গুলমেলৈ (ওর্কিদ) মখলশিং অসিবু মালেমগী করম্বা মফমদা ফংবগে? খোঙহাম্পাত্তা লৈরিবা ওর্কিদরিয়ম (খোঙ্গুলমেলৈ উয়োকফম) সিবু করম্বা টুরিষ্ট চৎপগে?

লাইরিকসি পারুরগা খল্লকপনি - ঐসে কয়াদা ইনফোর্মেটিভ ওইরমখিদ্রবা! কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক অমদি উখুলগী 'শিরুই লিলি' অনীগী মিংবুদি তাদবা কনা লৈরম্লরোই। অদুবু, য়াঙৌপোকপী ৱাইল্ড-লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি, কাইলম ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি, জিরি-মক্রু ৱাইল্ড-লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি, জৈলদ-লেক ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি, অঙ্গো-চীং ৱাইল্ড-লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি অমদি বন্নিং (পুইলোং) ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি, লম্লক্কী শা-উচেকশিংগী অখন্নবা চঙজফম (লৈফম) ওইনা শেমগৎখ্রে হায়বদি ঐদি শুকখঙ খঙখিদে। ৱারেং অসি পাবীরিবা অদোম'মকসু খঙলম্লোই। করিনা? অসিগুম্বা মফম অমা/খরা শেমগৎলে হায়বসি লৈঙাকসিনা কনাদসু খঙহনখিদে, চেদা রিপোর্ট পীনবইদমক শেমখিবনা। মতম অমদা ভারতপুর বার্দ সেঙ্কচ্যুয়েরি হায়না খঙনরম্বা, হৌজিক্না 'কেত্তলাদো নেসনল পার্ক কৌনরবা মফমসি রাজস্থানগী মরু ওইবা টুরিষ্ট-স্পোট অমা ঙসিসু ওইরি। মখল কয়াগী উচেক য়েংবা পাম্বশিংনা চৎনৈ মফম অসিদা।

কৈবুল-লমজাও নেসনল পার্ক অমদি সঙাই নীংশিংলুবদা থৌদোক অমা নীংশিংলকই, চহী মঙা-তরুক্কী মমাঙদা থোকখিবা। মহিন্দ্র হোলিদে রিজোর্ট-চেইন (ছুটিদা মতম লেনফম, হোটেলগুম্বা য়ূম) চলাইরিবা 'মহিন্দ্র এন্দ মহিন্দ্র' কম্পনিগী সিষ্টর কম্পনি অমা ওইরিবা 'ক্লব-মহিন্দ্র' গী ইকজিক্যুটিব ওফিসর ঐগী মরুপ অমা শঙাই ফেষ্টিবেল য়েংবা লাক্লম্মী। খরা মাঙজৌননা বুক তৌহৌবগী ক্লাসিক হোটেলগী কা অমবুদি ফংখি, কা ফংনদবা মতমদুদা। হাপ্তা কাংজেবুংগী মেলা'দু মঙোন্দা মীৎ থূপখিদে। কৈবুল লমজাওদা চৎলগা শঙাই য়েংনীংই হায়রকখি। সেন্দ্রাদগী উবা লোক্তাক্কী ফজবদা মহাক ঙাওখি। কৈবুল নেসনল পার্ক'কী ফীভম উবদা নীংবা কায়খি। নুমিৎ নীনি হঞ্জিন হঞ্জিন চৎপদা শঙাই উবা ফংলকখিদে। মহীসুরগী জু'দা লৈহৌবা শঙাইদুদি য়েংনীংদে, শঙাইগী ময়ূম (মকোন) দুদা য়েংনীংবনি। মহাক্না হায়রম্বনি ... 'লৈঙাক্তা হায়নরগা কৈবুল চীংশাং নাপোম, লোক্তাক পাৎকী তোর্বান্দুদা লম মচেৎ খরদং পীননবা হায়নবীয়ু, পি পি পি (পব্লিক, প্রাইভেট পার্টনরসিপ) মোদেলদা শঙাই-ভিউ-রিজোর্ট খরা ক্লব মহিন্দ্র'দা শাননবা হায়নগে, শোয়দনা মায় পাক্কনি'। মহাক্না হনখ্রবা মতুংদনি, নোংমা মানা শীন্দুনা নীলগিরি চীংখোঙদা, মহিন্দ্রগী রিজোর্ট অমদা অহিং অমা লেকহনখিবা। লোক্তাক্কা চাংদম্নবা য়াবসু নত্তবদু থাংজ-নোংমাইজিং অমত্তা থা অহুম মরি হাঙহৌদে। পাউচেসিগী খূত্থাংদা মতমদুদা নোংমখক ইখিবদু নত্তনা, মরী লৈনবা মিনিষ্টর/ওফিসর/সী এমগী নাকোং য়ৌনা তাহন্নবা হায়বই পাম্বে লৈখিদে। মরমদি, ঐহাক মখোয়গা শেঙ্গাও পূনবা কাঙলূপ'তুগী মী অমত্তগা খঙনদে।

অদুবু ঙসি মৈতৈ কুকি লানসিগী মতুংদা ওইরক্লিবা শক্তম অসি য়েংলুরগা মণিপুরদা টুরিজম ইন্দষ্ট্রি চাওখৎলকখিনি/হিঙ্গৎলকখিনি হায়বগী থাজবদুদি মাঙখ্রে। কুকিশিংদা চাওখৎমিন্নবা হিংমিন্নবগী ৱাখল লৈতে।

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

# 'ঐখোয়গী কার - এম এন এস - ৫৮২৫' (#১)

ঐ ঙসিসু নীংশিংলি ঐগী অপোকপনা য়াম্না শাউনা য়ূমদা হল্লকপা নুমিৎতো। ইমানা হংই সনখ্যা করি তৌরগে। ঙসিসিবু ওন্থোক্না শাউনা নুংঙাইতনা হনবীরক্লিসিবো। মতমদো ঐ ক্লাস সভেন তমদা ঙাইরি। ইপানা থৱায় নুংঙাইতবা মতৌদু উরগা অঙাং ওইরিবা ঐসু নুংঙাইতবা ফাওখি। ঐগী ইপানা ইমাদা অসুম্না তমখি- হে মমা ঐ কার অমা লৈদা য়াদ্রে। হয়েংমক চৎতুনা Bhourilal Bakliwal দা কার অমা বুক তৌরুরনি। কৈদৌরগেমী ঐনা খঙনীংলিসিদি শুংতম তম্বীরক্তে। সুম তৌবনি ঙসিসি মরুপ অমনা ঙনসু ঙল্লি হায়দনা মোইরাংখোমদা লীলা অমা য়েংবা ঙহাক চৎলুই, লীলাদু ঐ লোইফাওবা য়েংলক্তে। মীসু য়াম্না চিল্লি, ঐনা মী খরগা পীকপনে উবা ইফং ফংদে। উবা ফংদদনা লীলা য়েংলিবা মীয়ামদুগী মতুংদা খুনিং কাংখৎতুনা লীলাদু উনবা হোৎনৈ।

ঐনা খোইদৌ শাউগৎখ্রিসিদি সিনি লীলাদুগী দাইলোগতা "মোইগী মপা শাবদুনা মচা লাইয়েকপদুদা অসুম্না চৈবগী ৱানি... "লাই য়েকপা অমত্তা কার তোংই তাৱ্রো...লাইরিক পাগেদি হায়দদনা লাই হেক্তা য়েক লৈ হায়দনা মপানা মচাদা চৈবগী মতাংদু" তাবদা পেনমনখিদ্রদনা ঐ অদুম খোইশাউনদুনা হল্লক্লে। অদুবু করি কায়গে সনখ্যা। য়াদে-য়াদে মোইগীদো লাইয়েকপবু উশিত্তবনি, হন্থনা খনবনি। ইমানা লুকথদুনা কৈনো অমদি খনবজাৎনি, নুংঙাইতবা অমদি ফাওবজাৎনি ইমাসু। খাম্বা য়াররোই খঙই, মচিং ফত্তে ইপাদো।

নোংঙানবগা মতমদুগী এম্বেসেদর কারগী এজেন্ট Bhourilal Bakliwal গীদা চৎতুনা হংলুরে কয়াম পীবা, অপাম্বা মচু অঙৌবা খল্লম্লে। কার লৈবগী চহীদু কুমজা ১৯৭১দনি। মমলনা লুপা ২৩,০০০ মুক ওইখি। এম্বেসেদর মার্ক ২গী মপু হায়দু নমদুনা লীলা পার্টি অদুনা ওইহনখি ঐখোয় ইপাদো। মতমদুদদি মণিপুরদা কারগী মশীং য়ামদ্রি, সরকারগী ফাওবা ইয়াম য়াল্লমদে, কার তোংবা মশীং খূৎ থেক্তুনা পাবা য়ারম্মী। ঐগী য়াম্বুং অহলনা অয়াম্বা মতমদা থৌই, অদুবু হান্না কার তোংখ্রবা ককা শিতলজিৎকী মচানুপা সনাতোম্বনা মোইগী এম্বেসেদর এম এন এস-৩৮২৭দুদা তূমিন তূমিন থৌবা তম্বদগী ঐ ক্লাস নাইন তম্বা মতমদা ঐ কার থৌবা হৈরে। ঐনা কার থৌবা হৈরকপা মতমদো পেট্রোল লিটরদা লুপা ৩ পীরি।

অদুবু তোয়না থৌবগী ফ্রী ওইবদি কোলেজ কারবা মতমদনি। ঐনা নোং ফাদোক কোলেজদসু পুই। মতমদুদা লুহোংবগী কৈন্যা পুবগী নেকপা য়াম্না লাক্লরম্মী শুপ্পতগী লুপা ২০০/৩০০ লৌনৈ মতমদু। নোংমদি ৱাঙ্গোইদা লুহোংবা অমা কৈন্যা থিনবগী নেকপা লাক্তুনা চৎখি। লুহোংবা লোইদুনা কৈন্যাদু থিন্নবা ঐগী কারদুদা হিক হিক লাওনা কপ্তুনা তোংখৎলম্মী। মখূৎতা রুমাল অমসু পায়। কৈন্যাদু লোকসু থুংব্রা খঙদে, পি তারদি নপসু তাই হায়দুনি। মনপসু থুৎ থুৎ চিংখৎলি। রুমালদুনা হেক হেক খুম্মী। খঙহৌদনা কৈন্যাদু হাকথি খল্লকপদা মনাতোন্দুদগী বোল অমা কামথোরকপগী ৱানি অদুগা ঐগী ফুরিৎতা খরসু তৈখ্রজাৎনি। কৈন্যাদুনা কপ্লম্বদগী তামো শোয়খ্রে হায়রকপগী ৱানি। ●



**-আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৪

১) **"পোইরৈ নাৎকী ৱারেং"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) **"কুরঙ্গনয়নী"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো?

৩) **"নুমিদাংৱাইরমগী চিগোংলৈ"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী মমিং লৈরবা অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **"হুন্দোক্লমই উনানা উপালবু নাকেন্থাদা**
**ফুদৎপদা -**
**লাংবনগী শারবা নুংশানা**
**ৱাকচিংগী উন পুবা নুংশিৎনা**
**কপ্লি উনানা হুন্দোক্লম্লবা পামেল।"**

শৈরেং মতেক অসি শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌগগে?

৫) **"লোইয়ুম্বা"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিং*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৩,৪,৫)

২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩,৫)

৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (৩,৪,৫)

৪) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট-৪ লাই হরাওবুং মনাক - (১,৩,৫)

***৫) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭৩গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৭৩গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩গী পাউখুম

১) **"মিৎয়েংগী ৱাংমদা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো? **:- লাইরিক্কী মখল - ট্রেভেলোগ, অইবা- কাংজম রাধাকুমার, অহানবা খূৎনম : নবেম্বর ২০১০।**

২) **"ৱাশক্লে ইমা নঙগীদমক/ঐখোয়নি অনৌবা য়ুগকী থোঙশঙবা/শঙগনি ভারতকী মালেম/অমত্তা ওইনা তিন্ননা/"** পীজরিবা ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? মহাক্কী লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? **:- অইবা - এম কে বিনোদিনি, লাইরিক্কী মমিং - ঈশৈ বিনোদিনিগী, লৌথোরকপা ঈশৈ - ৱাশক্লে ইমা, অহানবা ফোঙবা : ৬/২/২০১৪।**

৩) **"কামায়নী"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:-ওরিজিনেল অইবা-জয়শঙ্কর প্রসাদ, মণিপুরীদা হন্দোকপা - লাইশ্রম কমল সিংহ, ফার্ষ্ট পব্লিশ : ২০২২।**

৪) **"পিরাংনা চৈহৌই ঐবু"** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিকনি। অইবা অসি কনানো? **:- অইবা - ডা. মোইরাংথেম সোবিতা সিংহা, অহানবা ফোঙবা : ২০২৩ ইং।**

৫) **"ৱারীনি তুরেল ৱাংমগী"** হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ? **:- অইবা - চোংথাম দীপু, লাইরিক্কী মখল - নোভেল, ফার্ষ্ট ইমপ্রেসন : ফেব্রুৱারী, ২০২১।**

# মীতোপ্পা ৱায়েনগদ্রা ঐখোয়না লৈঙাকচগদ্রা? - (২)

লূপসু মথং মথং থোক্লক্লি মণিপুর কনগনি খন্না। অদুবু লৈঙাক্নদি চৌক্রি তুদনবা ওইনা থৌশিল্লিবগুম্না শান্তি পুরক্লবা হোৎনরি হায়না ইতৎ তত্তনা পাউখুম পীরি। রিলিফ কেম্পদা য়েংশিল্লি, অৱাৎ অপা পীরি, য়ূম শারনি, কম্পেন্সেসন পীনবা হোৎনরি অসিনচিংবা চিনফা পুরবা ৱাহৈ খরা পাউচেশিংদা মীদিয়াদা ফোঙদোক্লি। ইমুংদা তূম্লিঙৈদো তমথীনা হাৎখ্রবা মীতৈ নহা অদুগী লুখ্রা ওইহৌরবী চনু নিঙোল অদুনদি লমন খুম্নিংলম্লোইদ্রা টেররিষ্টশিং অদুগী মথক্তা? কনানা পীগদৌরি অচুম্বা ৱায়েল অসিগুম্বা মীচম মীয়াম কয়া তমথীরবা লান অসিদা লৈখিদ্রবশিংদা? ৱাহং চাম্মা চাম্মা হংনরক্লি ঙসিদি মীয়াম্না। মীচম মীয়াম ঙাক্লবা লৈরিবা লৈঙাক্কী ফোর্সশিংসু লৈবাক কায়নবা ফত্রবা শরৌ লাং থাক্লিবা ইম্মিগ্রেন্ট কুকি জৌনা হুইগং তাংবদা য়াওখ্রবজাৎলা হায়না। চাউখ্রবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা লৈঙাক্লোন দা থৌদাং লৌরিবা নেসনল মীদিয়া হাউস, রিজনেল মীদিয়া হাউস অয়াম্বা হন্দক নাকল নাম্মগীতা ওইবা পাউ ফোঙনরকপা মীপূম খুদিংনা থেংনরি। মসি ফাওবা মণিপুরগী ঙমখৈদা শীংনরকপশিংনা শারেং মতুপ মতুপ পীজখ্রবরা হায়না হংনরক্লি মীয়াম্না। মরমদি অচুম্বা পাউ ফোঙবগী মহুৎতা প্রোপেগন্দা ওইনা মেজোরিটি মীতৈনা মাইনোরিটি ত্রাইবেলদা এথনিক ক্লিন্সিং তৌরে হায়না অরানবা পাউ শন্দোকপদা মতেং পাংলি। শোমদনা লৌবুক্তা, চীংয়াগী খুলশিংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা লেপ্তুনা বঙ্কর শাজিল্লক্তুনা লৌবুক্তা কুম্লক্লগা লুমদুনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা, বোম পোকখায়হন্দুনা লেপ্তুনা মীচম হাৎলি। মণিপুরসি ইন্দিয়াগী আফঘানিষ্টান ওন্থোক্লি। লোইজি লোয়াদা মীচম মীয়াম্না নে তাদনা অহিং মিৎশেল খাংদুনা য়েক্লবগা লাম্থেংনরক্লিবসি থাবুম মরি হেল্লক্লবনি। অচুম্বা অশেংবা ৱাফম খরা নেসনল মীদিয়াদা ফোঙদোক্লুবা আর পি আইগী নেসনল সেক্রেটরি মহেশ্বর থৌনাওজমদা এ আরনা লিগেল নোটিস থারকখিবসিমক অমুবা আইন্না কুপশিল্লগা মণিপুরসে ওৎলগে খনবা থৌওংনি হায়নরক্লিবা মীয়াম্না। শক্লাইরবা জর্নেলিষ্ট ফাঞ্জৌবম তরাপোৎনা মহাক্কী লাইরিক 'ঐখোয়গী ঈরৈবাক' তা মণিপুরগী হৌজিক থোক্লিবা কাঙলূপকী ঈৱাং অসিগী প্রিদিক্সন কয়া ফোঙদোক্লমখি। ইন্সর্জেন্সিগী ঈৱাংগী হৌরকফম, কাঙলূপ ফূরুপ কয়াগী থোক্লক্লিবা খূৎলায় পায়বশিংগী ইস্যুশিং, জিও পোলিটিকেল ইস্যুশিং। মসিনা ওইহল্লকপা য়াবা মণিপুরগী তুংগী লাইবক। পাউখুম কয়া থিরি অমসুং ৱাহং কয়া হংলম্মী। ৱাহংশিং অসিগী মরক্তা অসিমদি য়াম্না নুংঙাইতনা হংলি, "করিগীনো হৌজিক্কী 'লুচিংবশিংনা' অসুক্কী মতিক লিরবা লৈবাক অসিগী মশাগী ওইবা শক্তমদা শীংনরক্লবা ফাওবদা ঙাকথোকপা ঙমদ্রিবা? করিগীনো শেমজিন শাজিনবা পাউ শন্দোক্লগা চীংগী ইচিল ইনাও খরনা লৈবাক অসিবু লেপ্পা লৈতনা থুগাইনবা হোৎনরিবা? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম কনানা পীগনি।" (লা: ৪৯) ঙসি মণিপুরগী মীয়াম্না পাউখুম ফংদ্রবা ৱাহং কয়ানি হংনরক্লিবা। অমরোমদা মীয়াম্না ইতৎ তত্তনা হংনীংলিবদি, পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কনাবুনো ঙাইরিবসি। শান্তি হঞ্জিল্লক্লবনি হায়দুনা সেন্টরগী য়াকা য়েংদুনা মীতোপ্পা অসুম ৱায়েন্দুনা নখোয় অদু তৌ, অদু তৌগনু, দেল্লীদা লাকউ, অসিদা ফম্মু, অদু থিংজিল্লু, মীদু মচিন মেনশিল্লু, বঙ্কর জোন খায়দোকসি, চীংদা ঐনা য়েংশিল্লগে, তম্না নঙনা য়েংশিল্লু হায়দুনা ইপু ইবেন্না ঙাক্লম্বা 'চীলৈবাক্কী ইমা মণিপুর' গী ঙমখৈদা শিংচেপ মথং মথং থাজিনখিবা তারিবরা? মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাও কয়া লাউরিবশিংদা মোব বোম কাপশিনখিগদৌরিব্রা? কৌব্রু লাইফমলেনগী চীংদোল তেমথোক্লগা পোপি ফার্ম ওন্থোকপদা ঐখোয় য়েংদুনা পাংদবা অমগুম্না লৈখিসিরা? থাংজিং চীংশাংনা কুকিলেন্দ শেম্বদা খোপচিনখিবদা বফর জোননি চঙবা য়াদে হায়দুনা খা চিক্লগা অদুমক ইম্ফাল ময়োলদা মথংগী মীখলদা মায় পাক্লগা মিনিষ্টর ওইখিগে খল্লিব্রা লুচিংবা মিংথোল পামজ রিবশিংনা। ৱাহং চাম্মা চাম্মনি ঙসি হৌরক্লিবা মীরোলনা হংলিবা। পাউখুম চাম্মা চাম্মা পীনবা, থবক্লা উৎনবা, ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক ঐখোয় লৈরি হায়না থৌনা লৈনা থম্মোয় শেংনা চোংথোক্লকপা মতম থেংমনদ্রিবরা? ঐখোয়না লৈঙাকচদুনা য়াইফবা তুংগী মণিপুর অমগী লম্বী শেম্বা ঙমখিরোইদ্রা ঙসিগী মীরোলনা?

**ৱারেপ অমসুং লৈঙাক**

ইরৈবাক নুংশিবনা থুমহৎখিদুনা
ৱারেপ্পা লেপ পৌ থুম্লে লৌরিবা লূপশিংনা
ফক্লাংদা থেৎপা নাকোংনদি তাশিন্নদে,
উচি ময়ামগী ৱারেপ ওইদুনা লৈরে ঙসি।
হঙোইনা ফন্লি মরুম কোক্লদুনা
ঈশিং কংলবা লাইজ কোমদা।
হৌদোং লম্বোইবনা কৈথেল কারি দেল্লীদা
খৌগংনরি নোংজু মরক্তা
তংদু লৈতাবা কোরৌ অমা মীয়াম্না!

*-তোংব্রম অমরজিৎ*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।